# গল্ফ ক্রাইসিসকী মতাংদা চীফ মিনিষ্টরশিংদা মোদিনা সপ্লাই শোয়হন্দনবা, টিম ইন্দিয়া ওইনা থবক তৌনবা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):
মিদ্দল ইষ্টতা থোক্লিবা লান অসিগী য়েংদুনা অমসুং মসিনা লৈবাক অসিদা পীরবা য়ারিবা চৈথেং শিংগী ইন্দিয়াগী থৌরাং তৌবা অদু রিভ্যু তৌনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী চীফ মিনিষ্টরশিং অমসুং লেফটনেন্ট গভর্ণরশিংগা ভর্চুয়েল মীফম অমা তাংবন লৌখ্রে।

সপ্লাই চেইন্স, ইনর্জি সেক্যুরিটি অমসুং এসেন্সিয়েল কোমোদিটিজ গী মতাংদা রিজন অসিদা থোক্লিবা ফিভমশিং অদুগী চৈথেং অদু মীফম অদুনা খন্নখি।

লৈবাক অসিনা পুন্না টিম ইন্দিয়া ওইনা থবক তৌবনা শীংনবশিং অদু মায় পাক্লা লাম্হোক্কনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা থাজবা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ষ্টেটশিংদা সপ্লাই চেঞ্জশিং নান্না থবক চখনবা অমসুং হোর্দিং অমসুং প্রোফিটিয়ারিং গী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎনবা তকশিনখি। ষ্টেট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট লেবেলশিংদা কন্ট্রোল রুমশিং থবক তৌনবা অমসুং অপনবা অমা থোক্লকপদা মদু থিংনবা লৈঙাক্লা মীৎ–না শিংনা লৈনবা মখোয়দা পাউতাক পীখি।

সিপ্পিং, এসেন্সিয়েল সপ্লাইজ অমসুং মেরিটাইম ওপরেসন্সগা লোয়ননা শীংনবশিং কোকহন্নবা বোর্দর অমসুং কোষ্টেল ষ্টেটশিংগীদমক অখন্ননা পুক্নিং চংবা মথৌ তাই হায়না মহাক্না হায়খি।

দিফেন্স মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অদুগী মরমদা মীফম অদুদা পাউদমখি। এল পি জি মতম চানা ফংহনবা অমসুং পেট্রোলিয়ম অমসুং দিজলগী মথক্তা লৌবা এক্সাইজগী দ্যুটিশিং হন্থহনবগুম্বা খোঙথাংশিং লৌখৎখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

পেট্রোল, দিজল অমসুং এল পি জি মতিকচানা ফংদুনা মখোয়গী ষ্টেটশিংগী ফিভম লৈতানা লৈরি হায়না চীফ মিনিষ্টরশিং অদুনা থাজবা ফোঙদোকখি।

# জে এন্দ কে, লদাখ শন্নরিবা জোজিলা চীং লম্বীদা উনপাক কিন্থরকপদা মীওই ৭ শিখ্রে অমসুং ৫ শোকখ্রে



শ্রীনগর, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):
চীংথক্তগী অচৌবা অকনবা উনপাক অমা খঙহৌদনা শ্রীনগর–লেহ হায়ৱেদা কিন্থরকখিবদা ইরাই নুমিৎতা য়ামদ্রবদা মীওই ৭কী পুন্সি মাঙখ্রে অমসুং মীওই ৫ শোকখ্রে।

উনপাক অদু জোজিলা পাসকী লদাখ থংবা নাক্ল দা কিন্থরকখিবনি অমসুং মদুগী মখাদা পেসেঞ্জর গাড়ী কয়ামরুম নননখ্রে। থৌদোক অদুগী মতুং হায়ৱে অদু মপুং ফানা থিংজিনখ্রে। ওথোরিটিজনা অচৌবা রেস্ক্যু অমসুং ক্লিয়ারেন্সকী ওপরেসনশিং চখখ্রে। উন অদু লৌথোক্লবা অমসুং লম্বী চৎপা য়াহন্নবা হোৎনরি।

ফিভম অদু মশামক্লা য়েংশিল্লিবা লদাখকী লেফটনেন্ট গভর্ণরনা জোজি লাদা উনপাক অমগী নিংখায়বগী লায়বক থিবা পাউ অদু তারে। ঐহাক্লা দি সি অমসুং এস এস বি কার্গিলদা খুদক্তা মফম অদুদা চংশিন্নবা অমসুং রিলিফ অমসুং রেস্ক্যু ওপরেসনশিং শিন্নিনবা পাউতাক পীখ্রে।

দিজাষ্টর রিলিফ ফোর্সেস অমসুং বি আর ও (বোর্দর রোদস ওর্গ্যানাইজেসন) য়াওনা গভর্ণমেন্ট এজেন্সি পুন্নমক্তা হায় এলার্টতা লৈহনখ্রে হায়খি।

জোজিলা পাসতা চীংথক্তগী কিন্থরকখিবা উনপাক অমনা গাড়ীদা ননবদা লয়বক থিনা মীওই ৭ শিখিবা অমসুং ৫ শোকখিবগী পাউ তাবদা অৱাবা পোকই হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জিতেন্দ্র সিংহনা থৌদোক অদুগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোকখি।

নেসনেল হায়ৱে–১ হায়না খঙনবা শ্রীনগর–লেহ হায়ৱে অসি শ্রীনগর অমসুং লেহগী মরক্তা মরুওইবা ফাওনফম ওইনা থবক তৌরিবা মরুওইরবা কিমি ৪৩৪ শাংবা রুট অমনি। ফুট ১১৫৭৫ কী অৱাংবা অমদা জোজিলা পাস ফাওনা চৎলিবা লম্বী অসি মসিগী ফজবা শক্তম অমসুং অৱাংবা ওল্টিচুদকী শীংনবশিংগীদমক মমিং চৎলি।

উন শাথিনা তাবা অমসুং খুদোঙথিনিংঙাই ওইবা লম্মীৎ–তুমিৎ অদুনা মরম ওইদুনা হায়ৱে অসিগী মসিগী শরুক অসি নিংথম থাশিংদা ইতৎ তৎতনা থিংজিল্লি। কুম্মগী ওইনা থিংজিনবশিং অদুগী খুদোঙচাদবা অদু কোকহন্নবা হৌজিক জোজিলা পাস ফাওদুনা অচৌবা টনেল অমা শারি। মসিনা লোইশিন দুনা মসিনা লদাখ অমসুং ইন্দিয়াগী অতৈ কয়াগী মরক্তা শাফবা, নোং–চীংগী ফিভম পুন্নমক্তা চৎপা য়াবা লম্বী অমা পীরগনি।

প্রোজেক্ট অসিদা সিঙ্গল–ট্যুব অমা, কিমি ১৪.২ শাংবা অমসুং মিটর ৯.৪ পাকপা লেন অনিগী টনেল অমা য়াওরি। মসি ফুট ১২০০০ রোমগী অৱাংবদা লৈ। শাবা লোইশিল্লবদা জোজিলা টনেলনা এসিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী শাংবা টনেল অদু ওইরগনি।

# ফর্টিলাইজর পৈশিন্দুনা থম্বগী মথক্তা ওপরেসন চখখ্রে, লাইসেন্স ৬,৯০০ ককথৎখ্রে, এফ আই আর ৮২১ থাঙ্গৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):
লৌমীশিংগী য়াইফবা ঙাকথোক্লবা লাইসেন্স ৬,৯০০ হেন্না কক্তুনা অমসুং কেস চা কয়া রেজিষ্টার তৌদুনা ফর্টিলাইজির পৈশিন দুনা থম্বা, থৈদোকপা অমসুং ব্লেক মার্কেটিংগী মথক্তা গভর্ণমেন্টনা চখবা ওপরেসন কনখৎখ্রে।

লোক সভাদা পাউখুম পীবদা মিনিষ্টির ওফ ষ্টেট ফোর কেমিকেলস এন্দ ফর্টিলাইজরস অনুপ্রিয়া পতেলনা এসেন্সিয়েল কোমোদিটিজ এক্ট ১৯৫৫ অমসুং ফর্টিলাইজর কন্ট্রোল ওর্দর ১৯৮৫কী মখাদা ফর্টিলাইজরশিং রিগুলেট তৌদুনা কাং লোন থুগাইবশিংগী মথক্তা অচেৎপা থবক লৌখৎপা ঙমহল্লি হায়খি।

এপ্রিল ২০২৫তগী হৌনা ওথোরিটিজনা ইনস্পেক্সন লাক্ষ ৪.৬৬ হেন্না চখখ্রে। সো–কোজ নোটিশ ১৬,০০০ হেন্না থোকখ্রে, লাইসেন্স ৬৮০২ কেন্সেল নৎত্রগা সস্পেন্দ তৌখ্রে অমসুং এফ আই আর ৮২১ থাঙ্গৎখ্রে।

ষ্টেটশিংগা খূৎশন্নরগা সেন্টরনা ফটিলাইজরগা মরী লৈনবা কাং লোনশিং শোয়দনা ঙাকহন্নবা চয়োলগী ওইবা য়ূমফমদা এনফোর্সমেন্ট মোনিটর তৌরি। মসিগা লোয়ননা, হৌজিক চৎলিবা রবি ২০২৫–২৬ সিজন অসিদা য়ুরিয়া, দি এ পি, এম ও পি অমসুং এন পি কে এসকী সপ্লাইজ মথৌতাবদগী হেন্না গভর্ণমেন্টনা মতিকচাবা ফর্টিলাইজর ফংহন্দুনা লৈরি।

য়ুরিয়া সবসিদি স্কিমগী মখাদা কেজি ৪৫কী বেগ অমদা লুপা ২৪২গী সবসিদাইজ মেক্সিমম রিটেল প্রাইসতা য়ুরিয়া মখা তানা য়োল্লি। মালেমগী ওইনা মমল চাং নাইদবা মরক্তা মমলশিং লেঙদনা থন্নবা ফোসফেটিক অমসুং পোটাসিক ফর্টিলাইজরশিংগীদমকসু ন্যুট্রিয়েন্ট–বেজ সবসিদি (এন বি এস) স্কিম থবক্তা ওন্থোক্লি।

লৌমীশিংদা মখোয়না লৈবা ঙম্বা থাক্তা লৈহন্নবা অমসুং অপনবা লৈতনা ফংহন্নবা দি এ পি অমসুং দি এস পিগীদমক লোজিষ্টিক্স অমসুং অতৈ অচঙমনশিংগীদমক মেট্রিক টন অমদা লুপা ৩,৫০০ য়াওনা অহেনবা শৌগৎপা পীখ্রে।

# ষ্টেট ৫দা মরক্কী মীখলশিং অমসুং এসেমব্লি মীখলগীদমক ই সি আইনা মীরেপ ১,৯৫৫ লম্বা তৌনরগনি হায়না ফোঙখ্রে

ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):
ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ইরাই নুমিৎতা অসাম, কেরলা, পুদুচেরি, টামিল নাদু অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী লাক্লিবা এসেমব্লি মীখলশিং অমসুং ষ্টেট ৬তা পাঙথোক্কদৌরিবা মরক্কী মীখলশিংদা পুন্না মীরেপ ১,৯৫৫ লাম্বা থেংনরগনি হায়খ্রে।

অসাম, কেরলা, পুদুচেরিগী ভোট থাদগদবা নুমিৎ অমসুং মরক্কী মীখলশিংগী নুমিৎ এপ্রিল ৯দা পাঙথোক্লগনি হায়না মার্চ ১৫দা মীখলগী মতম লাউথোকখি। ই সি আইগী মতুং ইন্না মীরেপ ২৫০না মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ মার্চ ২৬ ফাওবদা মখোয়গী মীরেপচেশিং লৌথোক্তুনা জেনরেল ইলেক্সনগীদমক অপূনবা লম্বা তৌনবা মশীং অদু এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সি ২৯৬তা ১৯০৬ ওইহৌরে। অসামদা সিট ১২৬তা মীরেপ ৭২২, কেরলাদা কনষ্টিট্যুয়েন্সি ১৪০তা মীরেপ ৮৯০ অমসুং পুদুচেরিদা সিট ৩০দা মীরেপ ২৯৪ লৈ।

মরক্কী মীখলশিংদা এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সি ৫দা পুন্না মীরেপ ৪৯না লম্বা থেংনরি। কর্নাতকাদা সুপ্নগী সিট ২গীদমক খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা কেন্দিদেট ৩৪না লম্বা থেংনরি। মসিগী মথংদা নাগালেন্দ অমসুং ট্রিপুরাদা কেন্দিদেট ৬৬, গোৱাদা ৩ অমসুং অতোপ্পা কনষ্টিট্যুয়েন্সি অমনা অপূনবা অদু শারি।

কন্দক ওফ ইলেক্সন রুলস ১৯৬১গী মতুং ইন্না ওফিসিয়েল গেজেটতা রিটর্নিং ওফিসারশিংনা লম্বা থেংনরিবা মীরেপশিংগী অরোইবা লিষ্ট অদু ফোঙ্গনি হায়না মিনিষ্ট্র অদুনা হায়খি।

নোমিনেসন অদুগী মরীলৈনবা দোকুমেন্ট পুন্নমক ফজনা সিল তৌগনি অমসুং ওফিসিয়েল কষ্টদিদা থমগনি। ভোটর–ফ্রেন্দলি ওইবা খোঙথাং অমদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন (ই ভি এম)গী বেলোট য়ুনিটশিং অদু ময়েক শেংবা হেনগৎহন্নবা অমসুং ভোট থাদবা নুং ঙাইহন্নবা হেন্না চাওবা ময়েক্তা মখোয়গী মমিং শিং, সেরিয়েল নম্বরশিং অমসুং পার্টি সিম্বোলশিং গা লোয়ননা মীরেপশিংগী কলর ফোটোগ্রাফশিং উৎকনি হায়না ই সি আইনা হায়না মখা তাখি।

# অদানি দিফেন্স এন্দ এরোস্পেসনা ইন্দিয়ান আর্মিদা ‘প্রহার’গনশিংগী অহানবা বেটচ পীখ্রে

গ্বালিয়র, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):
ইজরেল ৱিপন ইন্দষ্ট্রিজগা পার্টনরসিপ তৌনরগা অদানি দিফেন্স এন্দ এরোস্পেসতগী ‘প্রহার’ লাইট মেছিন গন (এল এম জি) ২০০০গী অহানবা বেটচ অদু থাংজ নুমিৎতা ইন্দিয়ান আর্মিনা ফংখ্রে।




গন ৪০,০০০ হেনবগী হেন্না চাওবা ওর্দর অমগী শরুক ওইনা ৭.৬২ এম এম কিলিবরগী খূৎলাইশিং অদু ফংখিবনি। থাখিবা মতমদগী থা ১১ মাঙজৌননা পীবা ঙমদুনা এল এম জিশিং অদু গ্বালিয়রদা লৈবা কম্পেনি অদুগী স্মোল আর্মস কমপ্লেক্সতা খূৎশিন্নখি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিদা এদিসনেল সেক্রেটরি অমসুং দাইরেক্টর জেনরেল (এক্যুইজিসন) এ অনবরাসুনা অদানি দিফেন্স এন্দ এরোস্পেসকী সি ই ও অশিশ রাজবন্সিগা লোয়ননা অহানবা কনসাইন্টমেন্ট অদু পুবা ট্রকশিং অদু লমথাখি। চাদা ০.৫কী মখাদা দিফেক্ট অমসুং রিজেক্সন রেটসকা লোয়ননা অৱাংবা ক্বালিটি লৈহন্নবা ইন্দষ্ট্রি ৪.০–এনেবল সিষ্টেমসনা শৌগৎতুনা ফেসিলিটি অসিনা চহীগী ওইনা ফয়ার আর্মস ১০০,০০০ ফাওবা শাবা ঙমগনি হায়না রাজবন্সিনা হায়খি।

গভর্ণমেন্টনা ইন্দষ্ট্রিজ পার্টনরশিং গা লোয়ননা শাগোন্নদুনা লেপ্লি। ইন্দষ্ট্রিজগী মথৌতাবশিংগা হেন্না চান্নবা দিফেন্স এক্যুজিসন প্রোসিদিওরদা অহোংবশিং পুরক্লবা হোৎনরি হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী এদিসনেল সেক্রেটরি অনবরাসুনা হায়খি।

এন ই জি ই ভি এল এম জি অসি ইনফেন্ট্রিগী কেপাবিলিটিজ হেনগৎহন দুনা মখোয়গীদমক শিংথানিঙাই ওই। ইকোন কোনবা ওইনা ২০২০দা তৌখিবা এল এম জি ১৬,০০০গী সপ্লাইদা তৌখিবা অদুগুম্না ইন্দিয়ান ট্রুপশিংদা মসিনা য়াম্না শৌগৎলগনি হায়না ঐখোয়না থাজে।

হৌজিক মসি ইন্দিয়াদা পুথোক্লে। ইন্দিয়াগীদমক মসি য়াম্না অচৌবা চাওথোকচনিংঙাই অমনি। মসিনা ইন্দিয়ান আর্মি অমসুং ইন্দিয়ান দিফেন্স ফোর্সশিংগীদমক মশা মরোমদোম লেপচবদা শৌগৎলে হায়না ইজরেল ৱিপন ইন্দষ্ট্রিজগী সি ই ও সুখি সৱার্টজনা হায়খি।

# পার্লিয়ামেন্টনা ফাইনান্স বিল এপ্রুব তৌখ্রে, বজেট ২০২৬–২৭ লেজিসলেটিবকী অয়াবা ফংখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):
য়ুনিয়ন বজেট ২০২৬–২৭ গী ৱাফমশিং অদুগীদমক এপ্রিল ১দগী হৌগদৌরিবা অনৌবা শেনবা–চহীদা চৎনবা হৌনবা আইনগী কাংলোন পীনবা লেজিসলেটিব প্রোসেস মপুং ফাহল্লদুনা ভোইস ভোট অমনা ফাইনান্স বিল ২০২৬ অদু রাজ্য সভানা লোক সভাদা অমুক হনখিবগা লোয়ননা মদু ইরাই নুমিৎতা পার্লিয়ামেন্টনা এপ্রুব তৌখ্রে।

লোক সভানা বিল অদু এমেন্দমেন্ট ৩২গা লোয়ননা মার্চ ২৫দা পাস তৌখি। রাজ্য সভানা বিল অদু চাওৱাকপা অমা খন্নরবা তুংদা অমুক হনখি।

য়ুনিয়ন বজেট ২০২৬–২৭না মার্চ ৩১দা লোইশিনবা চৎলিবা শেনবা চহী অসিদগী চাদা ৭.৭ হেন্না লুপা ক্রোর লাক্ষ ৫৩.৪৭গী টোটেল এক্সপেন্দিচর অমা উৎলি। ইকোনোমিদা গ্রোথ অমসুং জোবশিং ঈনোৎ পীনবা অচৌবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিংগীদমক বজেট অসিনা লুপা ক্রোর লাক্ষ ১২.২গী কেপিটেল এক্সপেন্দিচর অমা হৌদোক্লি।

অচৌবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎপা থুজিলহন্নবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর রিস্ক দিভলপমেন্ট ফন্দ অমা লিং খৎলগনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি।

ইকোনোমিক গ্রোথ অকায়বা লৈহন্দনবা ফিস্কেল কন্সোলিদিসনগী লম্বীদা গভর্ণমেন্টনা মখা চখরদুনা ২০২৬–২৭গীদমক ফিস্কেল দিফিসিট অদু জি দি পিগী চাদা ৪.৩দা মখা তানা হন্থহন্নবসু মহাক্লা হোৎনখি। ফিস্কেল দিফিসিট হায়রিবা অসি গভর্ণমেন্টকী টোটেল এক্সপেন্দিচর অমসুং মসিগী টোটেল রেভিন্যু অনি অসিগী মরক্তা হোরিবা অদুনি।

ইন্দিয়াগী দেবট: জি দি পি রেসিও ২০২৫–২৬তা চাদা ৫৬.১দা হন্থখ্রে অমসুং ২০২৬–২৭দা বজেটতা চাদা ৫৫.৬তা মখা তানা হন্থরগনি হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি।

দেবট: জি দি পি রেসিওদা হন্থহনবা অসিনা গভর্ণমেন্টনা ইন্টরেষ্টশিং পীবা হন্থহল্লদুনা ফিস্কেল দিফিসিট নেমথহনবদা মতেং ওইগনি অমসুং দিভলপমেন্টকীদমক রিছোর্সশিং ফংহনগনি হায়না সিতারমননা হায়খি।

# মথৌ তাবা ট্রেভেল পার্মিট য়াওদনা মিজোরামদা চঙবগীদমক স্লোভাক ১, রসিয়ান ১, ফোরেন নেসনেল ২ দিটেন তৌখ্রে

আইজোল, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):
তঙাইফদনা মথৌ তাবা প্রোটেক্টেদ এরিয়া পার্মিট (পি এ পি) য়াওদনা মিজোরামদা চংলকপগীদমক রসিয়া অমসুং স্লোভাক রিপব্লিকতগী মীওই ২ ষ্টেট অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম ২দা দিটেন তৌখ্রে হায়না ইরাই নুমিৎতা সেনিয়ার পুলিস ওফিসার অমনা ফোঙদোকখ্রে।


অসাম রাইফলসনা দিটেন তৌখিবনি।

স্লোভাক মীওই অদু ইরাই নুমিৎতা মহাক্কী লৈবাক্তা অমুক হন্না থাখ্রে অমসুং ফ্লাইট অমা হেক ফংবগা রসিয়ান অদুগীসু চপ মান্নবা থবক অমা লৌখৎকনি হায়না মিজোরাম ইনস্পেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (হেদক্বার্টরস) ঐচ রামথলেংলিয়ানা পি টি আইদা হায়খি।

মশাগী চহী ৫৮ শুরবা স্লোভাক মীওই অদু ইন্দো–ম্যান্মার ঙমখৈ মনাক্তা লৈবা মফম অমদগী সাউথ মিজোরামগী সিয়াহ দিষ্ট্রিক্টতা মার্চ ২৪দা অসাম রাইফলসনা দিটেন তৌখিবনি।

রসিয়ান অদু মিজোরামদা চংনবা হোৎনরিঙৈ মথংগী নুমিৎতা ত্রিপুরা বোর্দর মনাক্কী মামিত দিষ্ট্রিক্টতা বি এস এফনা ফাখিবনি। ফোরেন নেসনেল অনি অদুনা চৎনবা য়াবা ভিজা অমসুং পাস্পোর্টশিং পায়রবসু মিজোরাম মনুংদা চংনবা ফোরেন নেসনেলশিং গীদমক মথৌতাবা ট্রেভেল পার্মিট পি এ পি অদু মখোয়না পায়দে হায়না আই জি অদুনা হায়খি।

মখোয় দিটেন্সন তৌরবা তুংদা অনিমক অদু সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ষ্টেট পুলিসতা খূৎশিন্নরকখি। স্লোভাক মীওই অদু ইরাই নুমিৎতা মহাক্কী লৈবাক্তা থাখ্রে। ওফিসিয়েলশিং গী মতুং ইন্না, মহাক থাইলেন্দদগী কোলকটাদা অমসুং মদুগী মতুং মিজোরামদা চংলকখিবনি অমসুং মাগী মরুপশিংনা ইনভাইট তৌরকপদগী ম্যান্মারগী চিন ষ্টেটতা ৱাটর ফেষ্টিবেল অমা শরুক য়ারুনবগীদমক থৌরাং তৌরকখিবনি।

মশাগী চহী চহী ৪১ শুরবা রসিয়াননেসনেল অদু সাইক্লিষ্ট অমনি। আগরতলাদগী সাইকল তোংদুনা মিজোরামদা চংলকখিবনি অমসুং ইরাই নুমিৎতা আইজোলদা পুরকখি।

মহাকসু মহাক্কী ফ্লাইট টিকেট হেক ফংবগা থুনমক থাখ্রগনি হায়না আই জি পি অদুনা হায়খি। মিজোরামগী মনুংদা চংননবা পি এ পি অমা মথৌতাই হায়বসি মহাক খঙদে হায়না রসিয়ান অদুনা পুলিসতা মশানা মরাল য়াজখ্রে হায়না অতোপ্পা ওফিসার অমনা হায়খি।

মহাক বাংলাদেশকা ঙমখৈ তায়নবা মামিত দিষ্ট্রিক্টকী ফুলদুংশৈ রোদতা বি এস এফনা থৎখিবনি অমসুং দিটেন তৌখিবনি। অরুনাচল প্রদেশ, সিক্কিম, মণিপুর, মিজোরাম, নাগালেন্দ অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মির, রাজস্থান হিমাচল প্রদেশ অমসুং উত্তরখন্দগী অরুবা বোর্দর এরিয়াশিংদা চংবদা ভুতানগী সিটিজনশিংখক নৎতনা ফোরেনরশিংগীদমক পি এ পি মথৌ তাই।

অথিংবা থম্বা এরিয়াশিং, মরুওইনা ম্যান্মার অমসুং চাইনা ঙমখৈ মনাকশিং চৎবগীদমক পার্মিটশিং অসি মথৌ তাই।

# রঘুনাঠগঞ্জ হিংশাগীদমক ঐঙোন্দা মরাল শীগনু: মমতা বেনর্জিনা পুলিস ওফিসারশিং ট্রান্সফর তৌখিবা পল্লদুনা বি জে পি চৈখ্রে

পছিম বর্ধমান, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):
রাম নবমিদা রঘুনাথগঞ্জদা থোকখিবা খূৎ থোক্লবা অদুগীদমক মঙোন্দা মরাল শীগনু হায়না ৱেষ্ট বেঙ্গল চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ষ্টেট এসেমব্লি মীখল মাঙওইননা পুলিস ওফিসারশিং পাক্তক্লনা ট্রান্সফর তৌখিবা অদু পল্লদুনা ঙসি থাংজ নুমিৎতা ওপোজিসনদা ওনশিন্দুনা চৈখ্রে।



পছিম বর্ধমানদা পব্লিক রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা রাইওতশিং ইনশিন্নবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসননা পুলিস ওফিসারশিং ট্রান্সফর তৌখিবনি হায়না মমতা বেনর্জিনা মরাল শীখি।

মহাক্লা হায়খি, ঐঙোন্দা মরাল থংজি ল্লক্কনু, ঐগী হক পুন্নমক মুনখ্রে। ওফিসার পুন্নমক ট্রান্সফর তৌখ্রে। মফম অসিদা বি জে পি মীওইশিং থারকখ্রে। অদুবু মায় পাক্কদৌরিবদু ঐখোয়নি হায়বসি মখোয়না খঙদে। রাঘুনাথগঞ্জদা রাইওতশিং থোকহল্লে, মীথিঙ্গাই চংখ্রে। মখোয় ইকায়জগদবনি। মখোয়না রাইওটশিং থোকহন্নবা মফম অসিদা ওফিসারশিং অদু ট্রান্সফর তৌরকখ্রে।

রঘুনাথগঞ্জদা দুকানশিং থুগাইখ্রে। কনাগুম্বগী য়ুম য়ৈখায় থুগাইনবা নখোয়দা হক অদু কনানা পী। মসি পুন্নমক্কী চৈরাক ফংগনি। মখা তারদুনা, মহাক্লা লাইনিং অমসুং কাষ্ট পুন্নমক্লা লোয়ননা তৃনামুল কোংগ্রেস লুচিংবশিংনা ফেষ্টিবেল কয়ামরুম পাঙথোকই হায়খি। ঐগী মীয়াম্না রাম নবমি, দুর্গাপুজা, কালি পুজা, সাথ পুজা, খৃষ্টমাস অমসুং ইদসু পাঙথোকই। হিন্দুশিং, মুস্লিমশিং, খৃষ্টিয়ানশিং, সিখশিং নৎত্রগা পার্সিশিং ওইরবসু লাইনিং অমসুং কাষ্ট পুন্নমক্কী মীওইশিংগা লোয়ননা ঐখোয়না পুন্না ফেষ্টিবেলশিং পাঙথোকই হায়না মহাক্লা হায়খি।

রাম নবমি প্রোসেসন অমদা কাংলূপ অনিগী মরক্তা তোঙান তোঙানবা মফম ৩দা রঘুনাথগঞ্জ অমসুং মুর্শিদাবাদতা খূৎ থোক্লখি। দুকানশিং অমসুং ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংদা য়ৈখায় থুগাইবগী থবক চখদুনা হিংশা থোকখি। লুৎ তৌখি, মৈ থাখি অমসুং মীওই কয়ামরুম শোকখি।

ফিভম অদু সেন্ট্রেল ফোর্সশিং অমসুং লোকেল পুলিসনা লাকশিনখি। মফম অদুগী দি আই জি অজিত সিংহ যাদবনা চেন্নরিবশিং অদুগী মথক্তা অকনবা থবক চখগনি হায়খি। মখা তারদুনা সি সি টিভি ফুটেজগী খূৎথাংদা ওথোরিটিজনা চেন্নবশিং অদু মশক খঙনবা হোৎনরি হায়খি।

ইরাংগী ফিভম হঞ্জিলহন্নবা অমসুং মফম অদু ঙাক শেন্নবা মপান্দগী সি আর পি এফ অমসুং সি এ পি এফকী ফোর্সশিংসু থুংলখ্রে। চেন্নবা মীওই খুদিংমক্কী মথক্তা ঐখোয়না অকনবা থবক লৌকৎকনি অমসুং অমত্তা লেন্না থারোই হায়না পাউমীশিংদা যাদবনা হায়খি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল এসেমব্লি মীখলগী ভোট থাদনবা তাঙ্কক অনি থোক্লা এপ্রিল ২৩ অমসুং এপ্রিল ২৯দা পাঙথোক্কনি অমসুং মে ৪দা ভোট মশীং থীগনি।

# নোইদা ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্ট শঙ্গাখ্রে

নোইদা, মার্চ ২৮ (এজেন্সি):
জেৱারদা লৈবা নোইদা ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্টকী অহানবা তাঙ্কক অদু ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শঙ্গাখ্রে।

লুপা ক্রোর ১১২০০ চংনা শাবা এয়ারপোর্ট অদুগী অহানবা তাঙ্কক অসি রোদ, রেল, মেট্রো অমসুং রিজনেল ট্রান্সপোর্ট সিষ্টেমসকী খূৎথাংদা অপনবা লৈতবা কনেক্টিভিটিগা লোয়ননা মল্টি–মোদেল ট্রান্সপোর্ট হব অমা ওইহন্নবা পান্দম থম্মি।

অনৌবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না, দিল্লি–এন সি আরগী ২শুবা এয়ারপোর্ট, ঙসি প্রাইম মিনিষ্টরনা শঙ্গাখিবা জেৱারদা লৈবা নোইদা ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্ট অসিনা গ্রেটর নোইদাদা দিভলপর কনফিদেন্স হেনগৎহল্লগনি অমসুং রেসিদেন্সিয়েল সপ্লাইদা অনৌবা ঈনোৎ পীরগনি।

এয়ারপোর্ট অদুগী মরমদগী এন সি আর রেসিদেন্সিয়েল মার্কেটতা গ্রেটর নোইদাগী ফিভম হেন্না কনখৎহল্লে হায়না নাইট ফ্রেঙ্ক ইন্দিয়াগী রিপোর্ট অমনা হায়খি।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না হেনগৎলক্লিবা দিভলপর কনফিদেন্সকী ইঙ্গিৎ পীদুনা অমসুং প্রোজেক্টশিংগী পরিং অমা উৎপগা লোয়ননা মায়ক্রো–মার্কেট অসিদা এন সি আর রেসিদেন্সিয়েলশিং ২০২১দা লিংখৎপগী চাদা ১৯দগী ২০২৫তা অপূনবা এন সি আর রেসিদেন্সিয়েল লোঞ্চশিং চাদা ২৮ য়ৌখ্রে।

রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, মসিগী মথক্তা গ্রেটর নোইদাদা চহীগী রেসিদেন্সিয়েল লোন্সশিং অদু ২০২১দা য়ুনিট ৪৪১৫ ওইরম্বদগী ২০২৫তা য়ুনিট ১৪,০০০দা য়াম্না শিংথানিঙাই ওইনা হেনগৎখ্রে।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR PATSOI IMPHAL WEST DISTRICT**

*Ref. R.R. No. 132 /SDC/IW(P) of 2026*

Keithelakpam Manihan W/O (L) Keithelakpam Mera Singh Sagolband Heinoupok Mamang Leikai.

ꯈꯪꯖꯤꯅꯒꯠꯂꯣꯟ/NOTICE

*Patsoi, the 27-03-2026*

অসিনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খংহল্লি মদুদি Keithelakpam Manihan গী মপুরোইবা Keithelakpam Mera Singh Sagolband Heinoupok Mamang Leikai অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা লৈখিদ্রবগী নুপী অসিনা মঙোন্দা Legal Wife Certificate পীবিয়ু হায়জররে। মসিদা কনা–কনাগুম্বনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি পাউ–চে অসিনা ফোংবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রগদি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই।

Sd/-
**Sub-Deputy Collector, Patsoi**
Imphal West District

SL/Su/29

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াওরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউ
ꯑꯌꯦꯛꯄ ꯂꯥꯏ ꯑꯁꯤꯗ ꯈꯦꯟꯅꯕ ꯇꯔꯨꯛ ꯌꯥꯎꯔꯤ, ꯈꯦꯟꯅꯕꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨ ꯄꯨꯊꯣꯛꯎ



খেন্নবশিং অসিগী পাউখুম পেজ ৯দা
ꯈꯦꯟꯅꯕꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯄꯥꯎꯈꯨꯝ ꯄꯦꯖ ꯹ꯗ